# সেপ্টেম্বর ১০, ২০২৩ - ৱর্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন দে

## (কাংলূপকী লান অমসুং ঐখোয়গী খুন্নাইদা মিৎয়েং অমা)

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াত্রিষ্ট
dr.smanikanta@gmail.com



পোকঙমদবা মীওই মপোক্নি। পোকপা অমসুং শিবা হায়বসি পুন্সিগী মচৎনি। মালেমসিদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক নোংমদি শোয়দনা শিগদবা ঙাক্নি। অশি অনা য়াওদবা পুন্সি অসি নুংঙাইবা পুন্সিনি হায়নরিবনি। মতাং অসিদা পঞ্জরিবা অশিবা হায়বসি মতম চাদনা, মতাং চাদনা, খঙহৌদনা, মরম চাদনা থোকপা অশি-অনাগী থৌদোক অদুবুনি। মীওইবা ঐখোয়না খ্বাইদগী কিবা পোৎশক অমা হায়বা তারবদি শিবা হায়বসিসু অমনি। শিরনি হায়দুনা থোকখিবা মীওই ফাওবা ষণনা ৱাইগে তৌবদা শিরমনিদা হায়না শোন্নরিবনি। অদুবু মীওই খরদি শিগদবা লৈরবা পুন্সি অসিবু ঙাইঙমদনা মশা মথন্তা শিজনবা, সুইসাইদ তৌনবা হোৎনরি। মসিগী মরম কয়ামরুম লৈবা য়াই। মশা মথন্তা শিবগী থৌওং সুইসাইদ অসিনা মী শিবগী মরু ওইবা মরম অমা ওইরি। চহীদা চাওরাক্লা মীওই মিলিয়ন অমা মশা মথন্তা শিজরি। শিবগী মরম তরাগী মনুংদা সুইসাইদ অসিসু অমনি। চহী ১৯-৩০ নৎত্রগা চহী ৭০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদনা মশা মথন্তা শিবগী চাং হেল্লি। চহীদা চাওরাক্লা মীওই মিলিয়ন ১০-২০ মশা মথন্তা শিজনবা হোৎনৈ। শিগে হোৎনবদা শিহৌদবা মীওই কয়া শোইনাইরবা মী অমা ওইনা লৈবসু য়াওই। সুইসাইদ তৌদুনা শিবা নৎত্রগা মথন্তা শিনবা হোৎনবগী থৌওং অমা থেংনবা মতমদা মসিনা ইমুং মনুং, মরী মতা, খঙনা চান্নবা, তিন্নবা মরুপ মপাং, থবক ইনখাং লল্লোন ইতিক তৌমিন্নবা মীওইশিং অমসুং খুন্দামিন্নরিবা, লৈমিন্নরিবা মীওই কয়াদা অৱা চৈথেং ফংহল্লি। খুন্নাইদা মশা মথন্তা সুইসাইদ তৌদুনা শিবা ইমুং অদুবু লান্না লৌই। চখোক খোৎতোকপা, থবক ইনখাং তৌবদা মখোয় অসি থেংনবা থোল্লবদি অফবা, য়াইফবা ওইরোই হায়না থাজনৈ।

মীওই খরনা ঙাইঙমদনা মশা মথন্তা শিজনবা করিগী হোৎনরিবনো? মসিগী মরু ওইবা মরম খরদি ৱাখল লায়না নাবা মীওই মরু ওইনা দিপ্রেসন, এনজাইতি (Anxiety), মেনিয়া, স্কিসোফ্রেনিয়া, পারসোনেলিটি দিসওর্দর, ময়াই কাবা পোৎশক শীজিন্নবা পনবা য়াই। হকচাংগী ওইবা অনাবা মরু ওইনা শোইনাইবা, কেন্সর, ঐচ আই ভি, কিদনি ফেলর, এস এল ঈ নৎত্রগা সাইকোসোসল ষ্ট্রেস (Stress), মায়োক্লবা মরু ওইনা এগজাম ফেল ওইবা, নুংশিনবা কায়নবা, মমা-মচা, মৱা-মপুরোইবা কায়নখিবা, মীয়াম মমাঙদা মৰৈ য়েৎনবা অমসুং ইকায়বা নংখিবা, থবক ইনখাং তৌফম লৈতবা, শেন্থোক ৱাৎপা, লিগেলগী ওইবা ৱাথোক চেন্নবা অমসুং মদু মায়োক্লবা ঙমদবা, তংদু লৈতাদবা খুন্নাই, য়ূম কৈ মৈ থাদোকখিবা, লৈফম লৈতবা, মাল-চাং, লন-থুম মাঙ তাকহনবিখ্রবা অমসুং ওৎ নৈবা চথবা থেংনখিবা, নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখ্রবা অসিগুম্বা মীওইশিংদনা খরা হেন্না সুইসাইদ তৌনীংবগী ৱাখল ফাওবা য়াই। অসিদসু নত্তনা চাথোক লৈত্রবা লৌমীশিং, লাইরিক লাইশু তম্বা ফংদ্রবা নহাশিং, শান্ন-খোৎনবা অমসুং পুন্সিগী থবক থৌরম কয়া তৌফম খঙলক্তবা, খুন্নাইদা অচৌবা ক্রাইসিস থোকপা, তুংগী পুন্সি উরক্তবা হীরম কয়া অসিনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া মশা মথন্তা শিজনবা থৌরাং তৌরকপা য়াই।

খুন্নাইগা ঐখোয়গী পুন্সিগা লৈনরিবা মরী অসি য়েংলুরগা মশা মথন্তা শিবগী থৌওং সুইসাইদ অমসুং মসিগী মরু ওইবা মরম মরি থোক্লা য়েংবা য়াই:- ১) কনাগুম্বা খরনা ঐখোয়গী লৈরিবা খুন্নাই, মসিগী চৎনবী নোর্মস, ভেল্যুস, ত্রেদিসন্স অসিগা লোয়ননা হিংবা ঙমদবা, মরোমদোম হিংবা, মীয়ামগা চুশিন্নবা ঙমদবা, চৎনবী রিচ্যুএল ঙাক্লা চৎপদা অৱাবা ওইবা, সোসল ভেল্যুদগী মশাগী ওইবা থৌরম্না হেন্না মরু ওই খনবা মীওই কয়াদা হিংবগী কান্নদ্রে, নাইতোম তারে, খুন্নাই হায়বা অমা লৈত্রে, হিংবগী নুংঙাইফম খঙদ্রে অসিনচিংবা ৱাখল কয়া অসিনা ৱাখল পীকথরকই। হিংনীংবগী ৱাখল ফাওরক্তে অমসুং মশা মথন্তা শিজনবা হোৎনরকই। মসি মরু ওইনা য়ূম পান্দনা লৈবা (Unmarried), নান্মা হাঙবা মীওইশিংদা থোক্কল্লি। (২) মথক্কী থৌওং অসি নত্তবা খুন্নাইগা মতম খুদিংদা লোয়নদুনা চৎপা, খুন্নাইগীদমক খনবা, খুন্নাইগী থবক থৌরম কয়াদা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌবদা নুংঙাইবা ফাওবা, খুন্নাই চাওখৎপনা মশাগী নুংঙাইবদগী হেন্না লূম্না লৌবা, খুন্নাইগী, মরৈবাক্কী, মরৈচাশিংগী য়াইফনবা হোৎনবদা পেঞ্জবা মীওই কাঙলূপ কয়া অমসু লৈরি। মীয়ামগী অফবা ওইগনি হায়রবদি থৱায় ফাওবা থাদোকপদা অকিবা লৈতে। খুদম ওইনা রাজস্থানগী লৌমী অমা দেল্লীগী জন্তর মন্তরদা লৌমী অপূনবগী য়াইফনবা মশা মথন্তা শিখিবা থৌদোক লৈখ্রে। মসি কুমজা ২০১৫দা থোকখিবা থৌদোক্নি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা Japanese Kamikaze Pilot কয়ানা লান ঙমদবা য়াদে হায়দুনা লানফমদা ৱার প্লেন থৌজিন্দুনা শিবগী থৌওং কয়া লৈখ্রে। কুমজা ২০০১গী সেপ্টেম্বর ১১দা সুসাইদেল বোম্মর কয়ানা ন্যু য়োর্ককী ৱর্ল্ড ত্রেদ সেন্টর থুগাইখিবা, পেন্তাগোন অমসুং ৱাশিংটন দি সীদা চথখিবা সুইসাইদ এটেক কয়া থোকখ্রে। থমজনীংবা ৱাফমদি মসিগী থৌওং অসিমক মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা চহী নৌরিবা ১৯-২৫ ফাওবদা লৈবা নহাশিংনা মশা মথন্তা শিজরগে হায়দুনা মখূৎতা খূৎলায় পায়দুনা মরৈবাক্কীদমক, মরৈচাশিংগীদমক থোরকপদা অঙকপা অমা ওইরোই। মসি ওইথোক্তবা নত্তে। অসিগুম্বা মালেমগী সুইসাইদ অসিবু Altruistic Suicide হায়না খঙনৈ। (৩) মীওই খুদিংমক হীরম খুদিংদা পুন্সিগী মহাও লৈনা, নীংখা তম্না হিংবা পাম্মী। অথিংবা কয়ানা ঐখোয়গী পুন্সি মহিংদা অপনবা, অয়েৎপা পীরকপা মতমদা হিংলিবা পুন্সি অদু মরেক মহাও থোক্লা, মতিং লৈনা, মথৌনা ফনা, ইকায়খুম্ননা হিংবা পুন্সি অমা ওইদে। মীনাই নাইথাংগী মওংদা হিংবা পুন্সি অমগুম লেনবা তারকই। অসিগুম্বা অথিংবা কয়া, তৌবা য়াবা-য়াদবা, চৎপা য়াবা-য়াদবা, ঙাঙবা য়াবা-য়াদবা শম্না হায়রবদা লৈবাকমচা (Citizen) অমা ওইবগী হক খুদিংমক অথিংবা পীবা মতমদা মীওই কয়া অমদি অসুম্না হিংগদবগী শরুক শিবনা ফরে খনবা নৎত্রগা মশা মথন্তা শিজনীংবা ফাওরকপা য়াই। শিবসু ওইথোক্তবা নত্তে। ঙসি ঐখোয়গী ইমা ইবেলশিংনা হিংলিবা পুন্সি মরেল অসিদা সেন্ত্রেল ফোর্স, অসাম রাইফলস, আর্মি কয়ানা অথিংবা পীরি। ফূবা চৈবা, ইলেক্ট্রিক শোক তৌবা, টিয়র গ্যাস কাপশিনবা, লিচৈনা কনবা, নোংমৈ ফাওবা কাপশিনবা, অকি অখং থোকহনবা কয়া থেংনখ্রে। ২৬ এ আরনা মখোয়না লৈরিবা কেম্প অদুদগী হেন্দোরক্তুনা পল্লেল অমসুং ককচীংগী লৈরক খুল্লক্তা বুলেট প্রুফ গাড়ী কেম্পর শীজিন্নরগা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক লৈখ্রে। অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিনা ইমা ইবেলশিংদা মথন্তা শিনীংবা ফাওহন্নবা মরম অমসু ওইবা য়াই। (৪) মীওই খরদি অকনবা ষ্ট্রেস থেংনবা, নীংবা কায়বা, ইমুং মনুংগী সপোর্ট ৱাৎপা মতমদা খাঙবা ঙমদবদগী মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোক কয়া থোক্লি। খুদম ওইনা নুংশিনবা নুপী কায়নবা, এগজাম ফেল ওইবা, থাগী শেনখায় মরুপ লিংখৎতুনা ওর্গনাইজর ওইরুবা মীওই কয়া শেন্দোন অমদি মীৱা মীচৈ খাঙবা ঙমদবদগী মশা মথন্তা শিজনবা হোৎনবা কয়া ঐখোয়না উরি। ঐখোয়না নীংশিংবা য়াবা থৌদোক অমদি কুমজা 1995 KOBE (JAPAN) য়ুহা-হাবা মতুংদা য়ূম কৈ লৈত্রবা মীওই কয়ানা মখোয়গী য়ূম, মাল-চাং অমসুং হান্নগী পুন্সি অদু হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা থেংনখিবা অৱাবা অমসুং হান্নগী পুন্সি মহিং অদু ফংবা ঙল্লরোই, মখোয়গী পুন্সি কান্নদ্রবা অমনি খন্দুনা পূম্নমক অসিদগী নাম্থোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেদি মশা মথন্তা শিজবা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা পাম্বে অমা লৈত্রে খল্লকপা মতমদা সুইসাইদকী চাং ৱাংখি। মসিগা মান্নবা থৌওং অমদা কাঙলূপ অনীগী লান অসিনা ময়ূম মকৈ লৈজদ্রবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংদসু চেকশিলহৌদ্রবদি অমদি মতম চানা রি-সেট্টলমেন্ট, রিহেবিলিটেসন অমসুং মখোয়গী লাইভলিহুদ অমা পীবা ঙমদ্রবদি মশা মথন্তা শিজবগী ফিরেপ লৌরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

কাঙলূপকী লান থা মরি মখায় হেল্লে। কুকিশিংনা মীতৈদা লান্দাবা লেপখিরোই হায়না ফোংনা লাউথোকখ্রে। চীংখোঙ চীংয়াদা লৌউ-শিংউ তৌরিবা লৌমীশিংদা নোংমৈ কাপশিনবা, অশোক অপন, অকি অখং লেপ্তুনা চথরি। শঞ্জেনলোক অমসুং কংলাতোংবীগী শান্তিপুরদা য়ূম কয়া মৈ থাবা লেপত্রি। তোঙানবা কুকি লৈঙাক অমা তানবগী খোঙফম হন্দোকপা লৈতে। সেন্ত্রেল ফোর্স মরু ওইনা এ আরনা ইমা ইবেল, মীচমদা চথবা মীওৎ মীনৈ, মীশি মীনা থোকহনবা লেপত্রি। হন্দক্তা পল্লেল অমসুং ককচীংদা চথখিবা এ আরগী থৌওং অদুনা তাকপদি মণিপুর লৈঙাক লৈত্রে। পূম্নমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অয়াবা পীরগা চথবা থৌওংলা? ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীতৈ ফূরুপ অসিবু করিসু লৈতনা খল্লব্রা? মীতৈ হায়বা ফূরুপ অসি লোইশিল্লগে হায়বগী মওংদা কুকিশিংনা তৌনীংবতা তৌহল্লি। মণিপুর লৈঙাক মরীল পান্দ্রে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াকা য়েংদুনা লৈরব্রা?

অসিগুম্বা মীওৎ মীনৈ কয়া অসি মীচম মীয়াম্না কয়াম কুইনা খাঙদুনা লৈখিগনি। খাঙবগী থৌনা পাঙ্গল লৈশিল্লক্ত্রে। কুকিশিংনা চীংখোঙ চীংয়াদা বঙ্কর শাবা লেপ্পা লৈতে। নোংমা কাংদনা খুঞ্জাশিংদা নোংমৈ কাপ্লি। খুঞ্জাশিং ময়ূম থাদোক্তুনা চেন্নরি। মীতৈগী খুল কয়া কুকিশিংনা খুন্দাশিনখ্রে। ইকৌ অমসুং তোর্বুংদা মীতৈগী য়ূম  কয়া কুকিশিংনা লৈশিনখ্রে। কুকিনা অসুম লান্দারকপনা ইম্ফাল ময়োল য়ৌশিল্লক্কদৌরে। কুকি, পাইতে ভেঙ কয়া মমিং থোনবা হৌরক্লে। সনা কোনুং খুদুম চনগদবা কুইরক্ত্রে। মসিনি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পাল্লিবসু। মীতৈ ফূরুপ মশাগী হৌরকফমদগী মূখৎনবা থৌওং চথরি। অসিগুম্বা লুরবা তানফম অসিদা ঐখোয় করি তৌবা য়াবগে? প্রী মর্জর ষ্টেটস হঞ্জিন্নবা হোৎনবা নৎত্রগা ইরোমদোম নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা হিংজনবা পাম্বে থিবা তাব্রা?

কুকিগী লান, সেন্ত্রেল ফোর্স অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীতৈ ফূরুপ্তা চথরিবা মীওৎ মীনৈ অসি লেপত্রবদি মীয়াম্না মরৈবাক, মরৈচা কঞ্জনবা মথক্তা পঞ্জখিবা সুইসাইদকী থৌওংশিং অসি চথনবা ফিরেপ লৌরকপা মতমদা অচৌবা লানপুঙ অমা শোয়দনা ওইগনি। মশি মীনা  কয়া থোক্কনি। মসি থোক্তনবা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা কাঙলূপ অনীগী লান লোইশিন্নবা হোৎনবা চুমগনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৪

১) **“পোইরৈ নাৎকী ৱারেং”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) **“কুরঙ্গনয়নী”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো?

৩) **“নুমিদাংৱাইরমগী চিগোংলৈ”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী মমিং লৈরবা অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **“হুন্দোক্লমই উনানা উপালবু নাকেন্থাদা**
**ফুদৎপদা -**
**লাংবনগী শারবা নুংশানা**
**ৱাকচিংগী উন পুবা নুংশিৎনা**
**কপ্লি উনানা হুন্দোক্লন্নবা পামেল।”**
শৈরেং মতেক অসি শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌগগে?

৫) **“লোইয়ুম্বা”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা  খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিং*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (৩,৪,৫)

২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩,৫)

৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (৩,৪,৫)

৪) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট-৪ লাই হরাওবুং মনাক - (১,৩,৫)

***৫) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৫)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭৩গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৭৩গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩গী পাউখুম

১) **“মিৎয়েংগী ৱাংমদা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো? **:- লাইরিক্কী মখল - ট্রেভেলোগ, অইবা- কাংজম রাধাকুমার, অহানবা খূৎনম : নবেম্বর ২০১০।**

২) **“ৱাশক্লে ইমা নঙগীদমক/ঐখোয়নি অনৌবা যুগকী থোঙশঙবা/শঙগনি ভারতকী মালেম/অমত্তা ওইনা তিন্ননা/”** পীজরিবা ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? মহাক্কী লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? **:- অইবা - এম কে বিনোদিনি, লাইরিক্কী মমিং - ঈশৈ বিনোদিনিগী, লৌথোরকপা ঈশৈ - ৱাশক্লে ইমা, অহানবা ফোঙবা : ৬/২/২০১৪।**

৩) **“কামায়নী”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:-ওরিজিনেল অইবা-জয়শঙ্কর প্রসাদ, মণিপুরীদা হন্দোকপা - লাইশ্রম কমল সিংহ, ফর্ষ্ট পব্লিশ :** ২০২২।

৪) **“পিরাংনা চৈহৌই ঐবু”** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিকনি। অইবা অসি কনানো? **:- অইবা - ডা. মোইরাংথেম সোবিতা সিংহা, অহানবা ফোঙবা : ২০২৩ ইং।**

৫) **“ৱারীনি তুরেল ৱাংমগী”** হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ? **:- অইবা - চোংথাম দীপু, লাইরিক্কী মখল - নোবেল, ফর্ষ্ট ইমপ্রেসন : ফেব্রুৱারী, ২০২১।**

# ফম্নাইবা অমা ওইরুবগী মতিক মগুন চপ চানা লৈহনবীয়ু, মীয়াম্বু পূক্নিং লৈতানা হিংহনবীয়ু, ইমা লৈবাক থুগাইবীগনু, কনবীয়ু



— মুতুম শান্তি —
(শোত্থরবশিংদা কখোকচরি)

অতোপ্পা লৈবাক্কী ফম্নাইবশিংনা উশিৎ-থৌওইদনা ঙাঙলিবসি তাবদা নুংঙাইতে। মী অমনা মী অমদা অথীবা ৱাহৈনা ঙাঙবা ঙম্বা হায়বসি ঐখোয়গী অশোয়বা লৈবগীনি। লৈবাক অমা ঙাকপগী মতিক মগুন লৈতবা মীনা লৈঙাক্লবদি অশোয়বনা পীক থনবা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। ঐখোয়গী লৈঙাকপশিং লমদমসিগী হৌখ্রবা পুৱারী নৈনদবগুম উরি। পুৱারী খঙদনা লৈঙাকপা, কাংখোং চাইরল্লিবা লৈবাক অমা ওইরক্লি। ইন্দিয়ানা নীংখা তম্লবা মতুংদগী নেসনল পার্টি কোংগ্রেসনা মতম শাংনা পাল্লকখি। কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবশিংনা মীয়ামদা য়াম্না চাউনা মীনম্বীবা, থমায়বীবা, পঙথহনখিবা ৱাফম অমত্তং নীংশিংজরি।



সেন্টরদা কোংগ্রেসনা পায়রবদি ঐখোয়গী মণিপুর অসিসু কোংগ্রেসন লৈঙাক শেমগদবনি নৎত্রবদি সেন্টরদগী ফংফম থোকপা করিসু ফংলরোই হায়বা অরানবা ৱাফম অসি মীয়ামদা শন্দোকখি। পোলিটিকেলগী অরোনবা থৌরাং কয়াবু চমজরবা মীয়ামদি করিসু খঙজবা নত্তে। চুম্লম্লগনি খঞ্জবা মণিপুর মীয়াম্না ঙসি ফাওবা সেন্টরগী য়াকা য়েংদুনা হিংলি। সেন্টরদা পানবা লমদমসিদা চপ মান্নবা পার্টিদা পাল্লুবা মরম্না ঙসিদি মীখা পোনবা লৈবাক অমগী শক্তমদা লৈরে। ঙসি বি জে পিনা পাল্লিবা লৈঙাকসিদা ফম্নাইবা ওইরিবশিং অতোপ্পা পার্টিদগী চোংলকখিবা ঙাক্তনি। মশানা মশাবু ঈজৎ থম্বা ঙম্বা করম্বা মীওই য়াওরিবগে? মীয়াম্বু করিসু খঙদবা জীবগুম মখোয়না খল্লি। কোংগ্রেসনা পানবা, বি জে পিনা পানবা খেন্নবা করিসু লৈতে। মণিপুরগী মীয়াম অৱাবা খক্তনা শরুক ওইরি ঙসি ফাওবা। মীয়াম্না চেকশিনগদবদি ঐখোয়গী শক্তি অসি কনাদা শিন্নগনি। করম্বা মীওইদা শিন্নরগা লৈবাক অসিগী য়াইফনবা, কখোকপা ঙম্বা মীওই লাইরিক লাইশু নিংথিনা খঙ হৈরবা মীশক অমা খন্ননবা হোৎনরসি। ৱাখল খন্থমিন্নবা, অরোইবা ৱারেপ লৌমিন্নবা তঙাইফদে।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌখ্রবা কয়াবু লাউদুনা মণিপুরগী অশোয়বা পুথোক্লি। হৌখ্রবা শোয়খিবা ৱাফম নৈনগদবা নত্তে। ঈরাং অসি নেমথনবা, তুংগী অফবা মায়কৈদা পুরক্লবা ৱাফম ঙাঙবীদ্রে। কোংগ্রেসনা পাল্লিঙৈগী ফাওবা তৌরম্বদগী মণিপুর মীয়াম্না ৱাজবনি হায়নীংলিব্রা? মীওইবনা খ্বাইদগী শোয়রিবসি মশাগী মরাল লোৎশিন্দুনা মীগী মরাল থিদুনা চৈবা, থাংবা পোলিটিক্স তৌবগী চৎনবী ওইরি। অথুবা মতমদা ঈরাং অসি লোইশিনবীরবদি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর কয়াদা থাগৎচনি মণিপুর মীয়াম্না। সেন্টরদা পানবা পার্টিনা পান্দবা ষ্টেট খরগী মমিং মখাদা ইজরি।

| | |
|---|---|
| 1. Sikkim | -Sikkim Kranti Morcha - Sikkim Revolutionary Front. |
| 2. Mizoram | -Mizo National Front |
| 3. Tamil Nadu | -The all India Dravida Munnetra Kazhagam -টামিল লোন্দা অসুম্না ইরি। |
| | - All India Anna Dravidian Progressive Federation |
| | - ইংলিসতনা অসুম্না ইরি। |
| 4. West Bengal | - Trinamool Congress Party |
| 5. Panjab | - Aam Aadmi Party |
| 6. Delhi | - Aam Aadmi Party |

সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট লৈরিবা মফম দেল্লীদা ফাওবা বি জে পি লৈঙাক নত্তবা এ এ পিনা পাল্লি। মথক্তা পঞ্জরিবা ষ্টেটশিংনচিংবা খরদি মশাগী পার্টিনা পাঞ্জবা বি জে পিনা পান্দবা কয়া অমা লৈরি। ষ্টেটশিং অসিগী ফংফম থোকপা চপ চানা চাকথুং পীবিবনি, ফংলিবনি। মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরাম থাঙ্গানা মখৌ পোংনা ঐখোয়গী সী এমদা চৈখিবা, পি এমদা অকনবা ৱাহৈ ঙাঙবা ঙমখিবদু মশাগী পার্টিনা লৈঙাকচবননি। জোরামথাঙ্গানা অসুম্না পি এমদা হায়খি, ঐখোয়দা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা অসিগী চান্নবা পীরকউ। ঐখোয়দি নিরগা হিংবা নত্তে। পীফম থোকপা পীরকউ হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি। মণিপুরগী সী এমগুম্বা জি-জা, নমষ্টে তৌবা ষ্টেট নত্তে হায়খ্রবনি। হৌখিবনা হৌখ্রবসু ঐখোয় মতুংদদি ঈজৎ লৈতবা লৈবাক অমা ওইহল্লগুমসি চেকশিল্লসি। ঐখোয়না ৱাখলদি খন্থদবা, চরাংনবা কয়াদগী ঙসিগী ফল অসি ফংজবনি।

ইন্দিয়ানা বৃটিশকী মীখা পোনবা হেক কোকপগা মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা নমদুনা খূৎয়েক পীহন্দুনা ঐখোয়গী লৈবাক ইন্দিয়া নমদুনা তিলহনখ্রে হায়বসি মীয়াম্না খঙবীরে। মতম অদুদা ঐখোয়দি মীখল তৌদুনা লৈঙাক সাসন তৌখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগী অয়াবা পীখিবা নত্তে। অরানবা আইন্না য়াদনা ইন্দিয়াদা তিনখি। মতম শাংনা ইন্দিয়াগী সংবিধানগী মীখল তৌদুনা হিংলকখিবা মণিপুর মীয়াম্না লৈবাক মরা তপ্পা মীয়াম্বু য়াইফনবা থবক করি পায়খৎখ্রবগে? মণিপুর মীয়াম পূম্নমক ৱানা ৱানা পুন্সি লোইখিবা ঙাক্তনি। হৌজিক্তা মীহাৎ মীপূন চথরক্লি।

ইরোমদোম হিংজবা ঙমদ্রবা, মীতোপ্পা হায়রকপা ঙাইদুনা লৈবা ইনিং ইখা তম্বা ঙমজদ্রবা, মীখা থানা হিংলিবা, মীগী ওর্দর ঙাইদুনা হিংলিবা পুন্সি মহিং অসি করম্না কোক্কনি হায়বসি ৱাখল খন্থমিন্নসি। অনম অহা চুবগুম, থমায়বীরবা শিরুম নারুম হিংলিবা ঐখোয়সি অমুক্তং পুনশিন্নরগা অচঙবা মীওই মপোক ওইহল্লসি। মীওইবনা শেম্বা শাবা ঙমদবা করি লৈবগে? খূৎশেম হায়রিবা অসি মীনা শেম্বা ঙম্বা ঙাক্তনি। নেচরগী লৈরল্লিবা ময়ামসিনা মহৌশা লাইরেম্বী কৌবীনা শেম্বীরম্বা ঙাক্তনি। নেচরগা, খূৎশেমগা অনীনা খূৎশন্নরবা মতম অদুদা পুথোরকপা কয়ানা চাওখৎপা হায়বদু ওইরক্লি। ঐখোয়গীদি নেচরনা থম্বীরম্বা কয়া খূৎশেম্না মূখৎলি। অচুম্বা য়াম্না ইরবসু, পাবীবা, তবীবা ৱাৎপা লমদমসিদা অরেম্বনি।

অশেংবা পাউদম অমত্তং নীংশিংজরি - ঐখোয়গী লোক্তাক পাৎ মমল য়ামখ্রবা ফজবদা য়েংবগী পেনবা নাইদ্রবা, নেচরনা পীবীবা চাউরবা খুদোল অসিবু শেংদোক্লবা য়াল্লবা শেনফম অদুক য়াম্বদু হাবি-জাবিদা অসুম লোইখ্রে। কনা কনাননো? মতিক মগুন লৈ। শক্তি লৈ থাগৎনীংঙাইনি লৌশিং লৈবা, অফবা মীনি হায়না মণিপুর মীয়াম্না খঞ্জখিবনি। মীয়াম্না হায়রি, শেল য়াম্না পীবা ঙম্বা, ঙম্বী কনাদা ঐখোয়গী হক পীথোক্কে খনখিবা ৱাখল মচাদুনা ঙসিগী থৌদোক অসি ফংজবনি। ঐহাক্লা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ঙা য়োনবী মরুপ মপাংশিংদা হংজে।

ৱাফম অদুদি ঐখোয়গী মীতৈ ঙা হায়বদি ফাবৌঙা, মুকাঙা, ঙামু, উকাবী, ঙাসেপ, ঙাক্রা, লোক্তাক্তা লৈরম্বশিং অমত্তা কৈথেল য়ৌবা ঙমদবসি করিগীনো ফাদ্রবরা? মখোয়না খুম্মী লোক্তাক অসি চরাংনা মনুংদা পীক থন্না লৈবদা মীতৈ ঙাদা নত্তনা ঙাপাই, রৌ, কমল কার্প অতৈ ঙা পূম্নমক লোইনা মাঙখ্রে ।ঈশিং মনুংদা ঙানা কোইচেন চেন্দুনা শান্নজবা মফম ফংদবদগী চাগোক হন্থরকপা, অমনা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম ময়াম অমা চেন্থরকপনা মরম ওইদুনা ঙা লৈবা ঙমদবনি হায়রকখি। মীতৈ ঐখোয়দি ঙানা মপূং ওইনা চাবনি। পাৎ অসিদা ঙা মরাং কায়না পুথোক্কদবা ৱাফম ঙসি ফাওবা থবক ওইনা তৌবা উদ্রি।

মতিক মগুন লৈখ্রেদা? ঐখোয়না খঞ্জখিবনিকো নখোয়বু। লোক্তাক লাইরেম্বী ইমানা মায়কৈ মরিদা য়েংদুনা মখোঙ মখূৎ তিংথোক্তুনা থম্মোয় শোক্লা তেংথারি। মমানা মচা ফত্তবা পোল্লুবগী, অৱা মৈচাক্লা ঙাওরবী লোক্তাক লাইরেম্বী ইমা ওইহৌরি। লোক্তাক শেংদোক্লবা থাদরকখিবা শেন্থং অদুনা দুকান প্লোট, লৌ ইঙ্খোল, য়ূম ৱাংনা শাগৎপীদুনা নুংঙাইনা হিংলিব্রা? পুন্সি খোঙচৎনা লোইবা মতম থৱায়গা হকচাংগা খায়নবা মতম অদুনা ইশা ইশানা চেকশিন্না করি অমত্তা কাউবীরমদনা পুবিখো। মপুগী লৈকোলদা তিনবদা, পুবা কাউবীগনু, চেৎনা থাগোন্নবীয়ু। শিরবা হায়বসিদি লোইরবনি অমত্তা থম্বীরমদবা, লোইনমক নম্বো চাউনা পোদুনা পুবীখো।

নশাগী ঈজৎ য়াওদনা হিংবা, ফম্নাইবা কয়াগী মমিং ফাওবা পনবদা মীয়াম্না হঙ্গোইনরক্লি, কাউবীগনু। মীওইবা ঐখোয়গী হিংলম্বগী পুন্সি খোঙচৎ মীয়াম্না হায়নবা ৱাফমদি অনীখক্তনি। অফবা, কখোকপা ঙম্বা মী শিবদা পাম্মুই হায়না শক্লা শোন্নে। ফত্তবা, মশাগী ওইজবনা মাঙ থাবা মী শিবদা ফরেদা হায়না হরাওনৈ। ফত্তবা মী শিবদা হরাওমন্দুনা লৈবাক মীয়াম পূন্না থাবল চোংবা থেংনজ হৌই। অফবা অচুম্বা তৌরম্বনা মীংচৎ উরোং খিল্লমসি। নোংমদি শোয়দনা শিগনি। ইমাশিংদা ৱাফম খরদা লাকচগে।

ইমা লৈবাক কঞ্জনবা, ইচাশিংগী থৱায় কন্ননবা, ইমা মৈরা পায়বীশিংগী থৌনাবু অইবীনা পাউচেগী লমায়সিদা লাপ্পা খুরুমজরি। মতম পূম্নমক্তা য়েক্লবা কয়ানা মায়োক্লবদা অকি তুজুং লৈতনা লাম্থেংনরিবী মীতৈ পোকপী ইমাগী মপারি, মমোমশিংবু তাইবঙ মপুনা থৌজাল পীবীবা ওইরসনু। লানঙম ফিরাল থেৎপা ঙম্বী, কখোকপতনা ইশরুক ওইরিবী মীতৈ নুপীনি। মীতৈ নুপীগী থৌনাদি পুৱারীগী লমায়দা য়েক্তুনা লৈরৌরগনি, শক্লা শোন্নগনি মালেম পূম্বনা। শিবা নাইবা মীওই মপোক্তা, মীতৈ নুপীগী মীংচৎ উরোং খিল্লবনি, শিবা নাইদ্রবা মীতৈ নুপীগী শক্তমনি। নিংথৌ পাল্লিঙৈ, চহী তরেৎ খুন্তাকঙৈ, বৃটিশনা সাসন তৌরিঙৈ অমসুং হৌজিক্লা বি জে পি নেসনল পার্টিনা সাসন তৌবনা নোংমগী মী হাৎপা লেপ্পা লৈত্রি।

নুংশিরবা মমল য়াল্লবা ইচাশিং হাৎহন্নবা শক্তি ওইনা শিন্নখিবা মওংদা চথরক্লি। মীয়াম্না খনখিবা লৈঙাকপশিংদা ইচা হাৎতোকপীনবা ভোট পীখিবা নত্তে। মণিপুর মীয়ামগী শক্তিবু করিসু লৈতনা খনবা নেসনল দল খুদিংমকপু থাজবা লৈত্রে। জুন ১৮গী থৌদোকসু হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৈঙাক্লিঙৈদা থোকখিবা য়াম্না নুংঙাইতবা থম্মোয় শোকখিবা থৌদোকনি। মমল নাইদ্রবা ইচা পিবারেল ১৮গী মীৎকী পি কংদ্রিঙৈদা, মশীং থিঙমদ্রবা ইচা ময়াম শিরবা ফাওবা মথৌ মশক খঙদ্রবা নেসনল দল অমত্তদা মণিপুর মীয়াম্না ভোট পীরগুমসি। বি জে পি নেসনল পার্টি অসি ঐখোয়গী লৈবাকসিদা চান্নদে।

মৈরি থোক্লা চাক্লিবা মৈ মূখৎপগী মহুত্তা হেন্না মৈচাক ফংহল্লিবা লৈঙাক অসিবু করম্বা লৈঙাক অমগী লৈবাক সাসন তৌরিবনো? মীনা খোংউ হায়রগা খোংবা, না পায়রগা ফম্মু, লেপ্পু তৌদুনা লৈরবা লৈঙাক সাসননি হায়বসি মীয়াম্না খঙমিন্নরসি। মপোক খুদিংদা কাউথোকপা ঙল্লরোইদবা অসিদগী হেন্না থম্মোয় শোক্লা হিংবা য়াওখ্রবগে? ঐখোয় পূম্নমক্কী ৱাখল অসি চমম্নন থম্বীবা নুমিৎ মশীং কয়া য়াল্লে। মীকপ মীরাওখোলতনা থল্লবা লমদম অমা ওইরিবসি ওইদনবা ঐখোয় পূন্না ৱাখল তামিন্নরসি। ●